# লোস এঞ্জেলিস ২০২৮ ওলেম্পিক্সকী সেদ্যুল লাউথোকখ্রে, মিরাবাই অমসুং নীরজ চোপ্রা মেডল কন্টেন্দরশিং ওইরি

লোস এঞ্জেলিস, জুলাই ১৫ (এজেন্সি)ঃ যুনাইটেদ ষ্টেটসনা যূম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদবা লোস এঞ্জেলিস ২০২৮ ওলেম্পিক গেমসকী সেদ্যুল নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী সেদ্যুল অসি ওর্গনাইজরশিংনা চহী ৩ ৱাৎলিঙৈদা লাউথোরকপনি।



ইন্দিয়াগী ওইনা গেমস অসিদা মেডল ফংবা য়াবশিংগী মনুংদা টোকিও ২০২০ গোল্ড মেডলিষ্ট নীরজ চোপ্রা, টোকিও ২০২০ সিলভর মেডলিষ্ট মিরাবাই চনু অমসুং ইন্দিয়ানা নিংখা তল্লবা মতুং ওলেম্পিক্সকী ইদিসন অমদা মেডল অনী লৌখিবা মনু ভাকর য়াওরি।

লোস এঞ্জেলিসকী গেমস অসিদা ক্রিকেট, কম্পাউন্দ অর্চরি অমসুং স্কৱাস মশান্না হাপচিল্লকপনা ইন্দিয়ানা মেডল হেন্না ফংবগী অচৌবা খুদোং চাবা ফংলগনি।

ইন্দিয়ান কন্টিনজেন্টশিংনা মেডল ফংবা য়াবা মরুওইবা ইভেন্টশিংদি–

ক্রিকেট (জুলাই ১২–২৯)ঃ মশান্না অসি কুমজা ১৯০০গী মতুংদা অহানবা ওইনা হল্লকপনি। ইন্দিয়ানা ইভেন্ট অসিদা মেডল লৌবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম ফোর্মেট অনীমক্তা ৱার্ল্ড কপ টাইটল অনী য়াওনা আই সিসিগী টাইটল ৭ লৌখ্রবনি। নুপীগী টিমসু এসিয়ান গেমস গোল্ড মেডলিষ্টনি অমসুং এসিয়া কপকী রেকোর্দ চেম্পিয়ননি।

সুট্টিং (জুলাই ১৫–২৫)ঃ ইন্দিয়ানা পেরিস ২০২৪ গেমসতা মেডল ৩ লৌখি। সুট্টিং মশান্না অসি লোংবিচ টার্গেট সুট্টিং হোলদা পাঙথোক্কনি। মসিদা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর, রুদ্রাঙ্কস পটিল, সরাবজোট সিংহ অমসুং স্বাপনিল কুসালেসু কম্পিট তৌগনি।

এঠলেটিক্স (জুলাই ১৫–৩০)ঃ মশান্না অসিগী ওইনা মমিং পনবা য়াবশিংদি নীরজ চোপ্রা, কিশোর জেনা (মেন'স জেবলিন থ্রো), জ্যোথি য়ারাজি (ৱুমেন'স ১০০ মিটর হর্দলস), অভিনাস সেবল (মেন'স ৩০০০ মিটর ষ্টিপলচেজ) নি। ইন্দিয়ানা এঠলেটিক্সতা গোল্ড মেডল লৌবগী ফজবা তাঞ্জা ফংগদৌরি। এঠলেটিক্স ইভেন্টশিং জুলাই ১৫দগী জুলাই ২৪ ফাওবা কোলিসিয়মদা পাঙথোক্কনি।

রেষ্টলিং (জুলাই ২৪–৩০)ঃ গেমস অসিগী কুমজা ২০০৮গী ইদিসন মতুংদগী ইন্দিয়ানা রেষ্টলিং মশান্নদা খ্বাইদগী য়ান্না মেডল লৌবা ঙম্লি। ইন্দিয়াগী ওইনা অমান সেরাৱট অমসুং অনটিম পানঘাল মেডল কন্টেন্দরশিং ওইরি। ইভেন্ট অসি জুলাই ২৪দগী ৩০ ফাওবা চত্থগনি।

ৱেঠলিফটিং (জুলাই ২৫–২৯)ঃ মশান্না অসিগী ওইনা মীরাবাই চনু মেডল কন্টেন্দরনি।

বোক্সিং (জুলাই ১৫–৩০)ঃ মশান্না অসিগী ওইনা নিখট জারিন, লভলিনা বোরগোহেন, নিতু ঘনঘাস, সাক্সি চৌধরি, অমিত পানঘাল ইন্দিয়াগী মেডল কন্টেন্দরশিংনি।

# মার্সিয়েল আর্ট ওজা জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমদা লেমজ–নিংঙাই ওইরবা নেসনেল এৱার্দ অনী খুৎশিন্নরকখ্রে

ককচিং, জুলাই ১৫ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী মার্সিয়েল আর্টকী ওজা জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমদা লেমজনিংঙাই ওইরবা নেসনেল এৱার্দ অনী খুৎশিন্নদুনা মণিপুরগী অচৌবা মায় পাকপা অমদি মীংচৎ পুরকখ্রে।

মমা থাগী জুন ৩০দগী দি য়ুনিভর্সেল মেদিয়ানা শীন্দুনা ন্যু দিল্লিগী দৱারকাদা লৈবা রাদিসন ব্লু হোটেলগী কনভেন্সন হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনেল প্রিষ্টিইজ এৱার্দ ২০২৫' অমদি জুলাগী ১দা মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফিয়স– এম সি এ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা হাইপেদেজ মেদিয়া গ্রুপ এন্দ প্রমোসন প্রাইভেট লিমিটেদনা শীন্দুনা রাজাস্থানগী কোনুং জয়পুরদা লৈবা হিল্টন হোটেলগী কনভেন্সন হোলদা পাঙথোকখিবা আই বি এ এৱার্দ ২০২৫ (ইন্টরনেসনেল ব্রিলিয়ন এৱার্দ ২০২৫) অনী অসি মার্সিয়েল আর্টকী ওজা জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমদা খুৎশিন্নখিবনি।

জয়পুরদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ব্রিলিয়ন্স এৱার্দ ২০২৫ খুৎশিনবগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লিৱুদ ফিল্ম ষ্টার অমিসা পতেল লোয়নন্না ইশা দিওলনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনেল প্রিষ্টিজ এৱার্দ ২০২৫দা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।



মার্সিয়েল আর্টকী শক্লাইরবা গ্রান্দ মাষ্টর জুগেশ্বরনা চহী ২৫ হেন্না লেপ্পা লৈতনা ঙসি ফাওবা পায়খৎলক্লিবা মার্সির্য়েল আর্টকী দিভলপমেন্ট অমদি কন্ত্রিব্যুসনগী থবক থৌরম কয়াবু শক খঙবা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎতুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অনী অদু খুৎশিন্নরকখিবনি হায়না জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোঙদোকখি।

জুগেশ্বর লমদমসিগী মীতৈ / মৈতৈ ইজাতিবু নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী প্লেটফোম কয়াদা শক তাক্কুনা পীক্লবা ইরমদম অসিবু মালেমগী ফম্বাক থক্তা শক তাক্লদুনা লাক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা মহাকসু অমনি। জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুম ককচিং তুরেল ৱাংমা ৱার্দ নম্বর ৫দগী লৈখিদ্রবা অপোকপা ক্ষেত্রিময়ুম ইবোমচা অমদি লৈখিদ্রবী অপোকপী ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী কৈনাতোন অনীগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক হৌজিক কর্ণতকাগী কোনুং বেঙ্গলোরদা মার্সিয়েল আর্টকী একাদমি হাংদুনা শান্নরোই ৫০০ হেন্না তাকপি তম্বীবগা লোয়নন্না ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ইরমদম মণিপুর খক্তদা নত্তনা কর্ণতকা, গুজরাট, মহারাষ্ট্রা, তামিল নাদু, অসাম অমদি কেরলাদসু মহাক্কী লমজিং লমতাক মখাদা মার্সিয়েল আর্টকী ত্রেন্নিং সেন্তরশিং হাংদুনা নহা ওইরিবা অঙাংশিংবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংদুনা মশা মউ ফবা, থকশি খাশি লৈবা মীওই অমমম ওইহনবগী পান্দমদা ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা কথোকপগা লোয়নন্না চঙশিলিবা মণিপুরগী তাংলবা মার্সিয়েল আর্টকী ওজা অমনি।

# ইন্দিয়াদা আই এস এস এফ–সার্টিফাইদ কোচিং কোর্স হৌদোক্লবা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সি)ঃ ইন্দিয়াদা আই এস এস এফ–সার্টিফাইদ কোচিং কোর্সশিং হৌদোক্লবা নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন (এন আর এ আই) অমসুং আই এস এস এফ একাদমী অনীগী মরক্তা মেমোরেন্দম এফ অন্দরষ্টেন্দিং খূৎয়েক পীনখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখিবা অদুদা এন আর এ আইগী প্রসিদেন্ট কালিকেস নরাহন সিংহ দিও, আই এস এস এফ একাদমী দাইরেক্টর ডা. ভেসা নিসিনেন, এন আর এ আইগী সেক্রেটরী জেনরেল কে সুল্টান সিংহ, আই এস এস এফ একাদমীগী সি ই ও কেরোলিনা নিসিনেন, এন আর এ আইগী এদুকেসন প্রোগ্রাম দাইরেক্টর পৱনকুমার সিংহ অমসুং আই এস এস এফ সোটগন কোচেস কম্মিটিগী মেম্বর মনসের সিংহসু শরুক য়াখি।



এম ও য়ু খূৎয়েক পীনবা অসিনা ইন্দিয়াদা গ্লোবেলগী ওইবা কোচিং এদুকেসন সিষ্টেম ফংদুনা মশান্না অসিগী ওইনা অনৌবা মাইওন অমদা পুরকপা ঙম্লগনি। মসিগী মতেংনা ইন্দিয়ান কোচশিংনা লৈবাক অসিগী মনুংদা ৱার্ল্ড ক্লাস ট্রেনিং ফেসিলিটি ফংলগনি। মখোয়না এদভান্স ট্রেনিং ফংনবগীদমক মপান্দা চৎপগী চাংসু হান্নদগী হন্থহল্লগনি।

অনৌবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়ান সুট্টিংবু গ্রাসরুট লেবেলদগী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্লগনি। অনৌবা টেক্লিকশিংগা লোয়নন্না ক্বালিফাই ওইরবা কোচ কয়া পুথোক্তুনা মালেমগী লমজেলদা চঙশিনবা ঙম্লগনি। খোঙথাং অসি এন আর এ আইনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা ওলেম্পিক গোল্ড ক্বেষ্ট (ও জি ক্যু) গী মতেংগা লোয়নন্না লৌখৎলকপনি।

দিভলপমেন্ট অসিগী মতাংদা এন আর এ আইগী প্রসিদেন্ট কালিকেসনা হায়, আই এস এস এফ একাদমীগা পার্টনর্সিপ ওইবনা ইন্দিয়ান সুট্টিংগী কোচিং এদুকেসনগী লমদা মফম অমা কনবা ঙমগনি।

অহানবা ওইনা ইন্দিয়া কোচশিংনা লৈবাক অসিদা গ্লোবেল সার্টিফাইদ ট্রেনিংগী খুদোংচাবা ফংলগনি। অনৌবা খোঙথাং অসিনা মপান লমশিংদা মতম অমসুং শেল য়ান্না চঙলম্বা অদুসু হন্থহল্লগনি।

ঐখোয়গী কোচিং ষ্ট্রাকচর অসি ইন্টরনেসনেল ষ্টেন্দর্দতা লাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়না ইলাইট লেবেলদা ক্বালিটি লৈহনবগা লোয়নন্না গ্রাসরুট লেবেলদগী টেলেন্ট লৈবা পুথোক্লবা অশাংবা মতমগী ওইবা দিভলপমেন্টতা শেল থাদগনি।

য়ান্নচে অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা কেটেগোরি ৪গী আই এস এস এফ সার্টিফাইদ কোচেস কোর্সশিং পাঙথোক্কনি। কোর্সশিং অদুদি কেটেগোর এ (ইলিট। ইন্টরনেসনেল লেবেল), কেটেগোরি বি (এদভান্স লেবেল), কেটেগোরি সি (ইন্টরমেদিয়েট লেবেল) অমসুং কেটেগোরি দি (ইন্ট্রদক্টরি লেবেল) নি। কোর্সশিং অসিদা আই এস এস এফ একাদমীনা শেম্বা একাদমীক ফ্রেমৱার্ক অমসুং সার্টিফিকেসন প্রোসিদ্যুরশিং চৎনগনি।

আই এস এস এফ একাদমীনা শকখঙলবা ইন্সট্রকচরশিং নোমিনেট তৌগনি অমসুং একাদমীক ক্বালিটি অমসুং দেলিভরিদসু য়েংশিনগনি। মসিগা লোয়নন্না ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু জোনেল বেসিসতা কোর্চশিং কন্দক্ত তৌগনি। কোর্সশিং অসি লৈবাক অসিগী চাওরবা জিওগ্রাফিকেল দাইভরসিটিদা রিকোগনাইজ তৌরে।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা কোচশিং চপ মান্নবা খুদোংচাবা পীদুনা প্রোগ্রাম অসিদা য়াওহন্দুনা খুদোংচাবা পূম্নমক ফংলগনি। লৈবাক অসিগী কোচশিংবু গ্লোবেলগী থাক্তা পুখৎনবা এন আর এ আইনা আই এস এস এফকা খূৎশন্নরগা কো–দিভলপ কোর্সশিং পায়খৎকনি হায়রি।

# ফিসু ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২৫ঃ ইন্দিয়াগী ষ্টুদেন্ট এঠলেট ৩০০ হেনবনা কম্পিট তৌগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সি)ঃ জর্মনিগী রাইন–রুরদ জুলাই ১৬তগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মালেমগী য়ুনিভর্সিটি ৬০ হেনবদা শরুক য়াগদৌরিবা ফিসু ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২৫দা ইন্দিয়ান ষ্টুদেন্ট এঠলেট ৩০০ হেনবনা শরুক য়ারগনি।

য়ুনিভর্সিটি এঠলেটশিংগী ওলেম্পিক্স হায়না খঙনরিবা ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস অসি চহী ২ খুদিংগী পাঙথোকপা মল্টি স্পোর্টস ইভেন্ট অমনি। মসিদা চহী ১৭তগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ছাত্র কম্পিট তৌবনি।

রাইন–রুর ২০২৫ ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস ইদিসন অসিদা লৈবাক ১৫০ হেনবদগী এঠলেট ৯,২০০না কম্পিট তৌগনি। ইদিসন অসিদা ফিসু গেমসকী খ্বাইদগী চাওবা ওইরি।

বাইন্নিয়েল ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা উৎখিবা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স অদু চেংদু ২০২৩দনি। ইদিসন অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১১, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০ পুন্না মেডল ২৬ লৌদুনা ৭শুবা পোজিসন তাখি। ইন্দিয়াগী মেডলশিং অসি সুট্টিং মশান্নদনা খ্বাইদগী য়ান্না লৌখি। সুট্টিং মশান্নদা গোল্ড ৮ য়াওনা পুন্না মেডল ১৪ লৌখি।

ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখিবশিংগী মনুংদা ওলেম্পিয়ান আইস্বারি প্রতাপ সিংহ টোমনা গোল্ড ৪ অমসুং মনু ভাকরনা পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ২ লৌখি। জ্যোথি য়ারাজি, অমলান বোরগোহেন অমসুং প্রিয়াঙ্কা গোস্বামীনা এঠলেটিক্সতা পোদিয়ম য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা ফিসু ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস অসি কুমজা ১৯৫৯দা টুরিনদা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবদগী শরুক য়াদুনা লাক্লি। লাক্কদৌরিবা গেমস অসি সম্মর য়ুনিভরসিয়াদ অসিগী ৩২শুবা ইদিসননি।

ফিসু ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২৫ অসি ভেন্যু ২৩দা মশান্না ১৮ শান্নগনি। ভেন্যু ওইগদবা জর্মনিগী সিটি ৬ অদুদি বোচুম, দুইসবর্গ, ইসেন, মুলহেম অন দর রুর, হাগেন অমসুং বর্লিননি।

ফিসু ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২৫ রাইন–রুরগী ওপনিং সেরেমোনি জুলাই ১৬তা বোচুমগী রুরষ্টাদিওনদা পাঙথোক্কনি অদুগা ক্লোজিং সেরেমোনিনা জুলাই ২৭দা দুইসবর্গতা পাঙথোক্কনি।

ফিসু ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২৫গী স্পোর্টস লিষ্ট অদুদি– অর্চরি, আর্টিষ্টিক জিমনাষ্টিক্স, এঠলেটিক্স, বেদমিন্টন, বাস্কেটবোল, দাইভিং, ফেন্সিং, জুদো, রিদমিক জিমনাষ্টিক্স, স্বিম্মিং, টেবল টেন্নিস, টাইক্কান্দো, টেন্নিস, ভোল্লিবোল, ৱাটর পোলো, ৩x৩ বাস্কেটবোল, বিচ ভোল্লিবোল অমসুং রোৱিংনি।

# কেঐচ মোনিকা অমসুং বিপিলিয়া য়ুম্নামনা সিলভর মেদল ফংখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (এস এন এস)ঃ চাইনিস টাইপৈদা পাঙথোক্লিবা টাইপৈ জুদো কেদেট চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা কেঐচ মোনিকা অমসুং বিপিলিনা য়ুম্নামনা সিলভর মেদল অমমম ফংদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল টেল্লি একাউন্ত হাংদোকপা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা জুদো মশান্না রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মোনিকা (কেজি ৬৩) অমসুং বিপিলিনা য়ুম্নাম ( কেজি ৭০) না চাইনিস টাইপৈগী মখুৎতা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেদলশিং অসি ফংহৌখিবনি।

টিম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনা লৈবা ময়াং ইম্ফাল অনীলোংবীদগী কোচ এ সুরজিৎ মৈতৈনা কোচ ওইনা শরুক য়ারিবনি।

# ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (এস এন এস)ঃ উত্তরখন্দগী দেরাদুনদা ওগষ্ট ৮দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল এজ গ্রুপ ত্রাম্পোলিন অমসুং থমব্লিং (বি / জি) জিম্নষ্টিক নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫–২৬তা শরুক য়ানবা ষ্টেটগী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা জুলাই ১৯ থাংজগী নুংথিল পুং ৩দা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা জিম্নাষ্ট খুদিংমক্না এসোসিয়েসন অসিগী সেনিয়র জিম্নাষ্টিক কোচ ৱাই রাজেনদা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ২.৩০দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর জিম্নষ্টিক এসোসিয়েসনগী জেনেরেল সেক্রেটরীনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# জয় গুপ্তা এফ সি গোৱাদগী ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবতা য়াওখ্রে



কোলকটা, জুলাই ১৫ (এজেন্সি)ঃ ইন্দিয়ান সুপর লীগকী সাইদ ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা জয় গুপ্তবু লাক্কদৌরিবা ২০২৫–২৬ সিজনগী মাঙওইননা এফ সি গোৱাদগী মল্টি ইয়র দিলদা খূৎয়েক পীনখ্রে।

মশাগী চহী ২৩শুরবা জয় গুপ্তা অভিসেক সিংহ টেকচমগা লোয়নন্না কোলকটাগী ক্লব অসিগীদমক সোর্টলিষ্ট তৌরকপনি। অদুবু কোন্না ট্রান্সফার বিদ অসি লোইশিল্লকপনি। জয় গুপ্তগী ফী অসি ক্রোর অমগী মথক্তা ওইরি।

এফ সি গোৱাদগী ইষ্ট বেঙ্গলদা দিফেন্দর জয় গুপ্তা ট্রান্সফার তৌরকপগী এগ্রিমেন্ট লোইশিল্লে। মসি ইন্দিয়ান শান্নরোই অমগী ওইনা ক্লবকী রেকোর্দ ফীনি হায়না ক্লবকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

জয় গুপ্তা ইন্দিয়ান সুপর লীগতা এফ সি গোৱাগী ওইনা পুন্না মেটচ ৪১ শান্নখ্রে। মহাক্না সিজন অসিদা হান্নগী ইন্দিয়া কোচ মানোলো মারক্কেজগী মখাদা সুপর কপ টাইটল লৌখি। মহাক্না ইষ্ট বেঙ্গলদা সাইন তৌরকপা অরোইবনি। ফোরেন শান্নরোইশিংগী ওইনদি ট্রান্সফার তৌরকপা মাঙজৌননা লোইশিনখ্রবনি।

ব্রাজিলদগী মিগুয়েল ফিগ্বেরা, পেলেষ্টাইনদগী মোহম্মদ রাসিদ, মোরোক্কোদগী হামিদ অহাদাদ অমসুং আর্জেন্টিনাদগী কেভিন সিবিল্লি ইষ্ট বেঙ্গলদা য়াওখ্রবনি। মখোয় থা অসিগী অথেংবদা কোলকটাদা থুংলগনি।

ফিগ্বেরাা ইষ্ট বেঙ্গলগী ওস্কার ব্রুজোনগা অমুক হন্না পুল্লকপনি। ওস্কার ব্রুজোনগী মখাদা ফিগ্বেরানা বাসুন্ধারা কিংসতা শান্নদুনা থংন–থংননা বাংলাদেশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল অহুম্লক লৌখি অদুগা কেবিন সিবিল্লিনা মাহেরগী মহুৎ শিল্লকপনি। রাসিদকী মতেংনা পেলেষ্টাইনবু মমাঙগী চহীদা এ এফ সি এসিয়ান কপকী রাউন্দ ওফ সিক্সটিন অহানবা ওইনা য়ৌহনখি। মহাক্কী মিডফিল্ডদা ক্বালিটি লৈবা অদুদগী বোলিগী মহুৎ শিন্নবা ক্লব অসিদা নৌনা সাইন তৌরকপনি।




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Ningombam Nimol Chand, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com